
# ষণগী চহী খঙদোকপা

ডা: সরাংথেম জেস্মারাণী

***শা-ষণগী*** চহী খঙদোকপসি মশাগী পোকপগী মতম খঙহৌদ্রগদি মশাগী শকওং শদাদা খঙদোকপসি খরদি ৱানা থোকই অমদি চপ চাবা চহী খঙবা ঙমদে। ষণগী চহী খঙদোকপসিসু য়াম্না মরুওই। মরমদি




- ষণ লৈরমদাইদা অফবা/অপান্বা ষণবুনা খঙদোকপা মতমদা ষণগী অশেংবা চহীসি য়াম্না মরুওই।
-চহীগী মতুংইন্না ষণগী পর্ফোমেন্স, মানা পুথোরকপা পোথোকশিং অমদি ইকনোমিক রিটর্ন মখা পোল্লি।
- করিগুম্বদা ষণশিং নারকপা তারগদি হীদাক লাংথক শীজিন্নরকপা মতমদা নারিবা ষণদুগী চহী অমদি মশাগী অরূম্বগী মতুং ইন্না হীদাক শীজিন্নরগদি অফবা লোমদা লাকই।
- ষণগী মমল চহীগী মতুংইন্না অরেপ্পা অমা ওইবসু য়াই।
- ষণবুনা মশাগী ষণগী মরমদা রেকোর্দ লৈত্রগসু মশাগী ষণদুগী চাওরকপা চহী খঙলগদি ষণবুদা কান্নবা অমা ওইহল্লি। ষণগী চহী খঙদোকপদা মখল মরি থোক্লা খঙদোকপা য়াই।

**ক) ষণদুগী শকওং শাদা ঃ** ষণবুশিংনা মশাগী ষণশিংদুগী শকওং-শদা হায়বদি করম্বা ব্রীদ, ষণদুগী শাজৎ-লিচৎ য়েংলগা চাওরাকপা চহী অমা খঙদোকই।

**মচা নৎত্রগা শারেপ ফাদ্রিবা ষণ-**

মশা পীকথগনি, উনশা থোৎকনি, চেৎশিনগনি অমদি মতুশ্ত মোন্না লৈগনি অমদি মহুপ কুপকনি।

**মপূং ফারবা ষণদদি -**

মশা চাওখৎলগনি, য়েংবদা নোর্মেল ওইগনি, উনশাসু চেৎলরোই, চগোম চগোমলনি, মতুসু পৌখৎলনি।

হায়রিবা মওংশিং অসিনা চহী খাইদোকপদি অৱাবা অমা ওইগনি।

**খ) লোংখুমগী মতুং ইন্না ঃ**

এ) শারেপ ফাদ্রিবা ষণ- লোংখুমশীং পীক্কনি, থোৎকনি অমদি লৈতেম মান্নগনি।

বি) মপূং ফারবা ষণ- লোংখুমশিং চাওখৎকনি, পৌখৎকনি, লোংখুমগী অকোয়বদা লৈতেম মান্নবদি ওইররোই।

**গ) মচিগী মতুং ইন্না ঃ**

চহী য়ামখৎলকপগী মতুংইন্না মচীসু চাওখৎলকই অমদি মচিগী অকোয়বদা কোরোক কোয়বা মওংদা চহী য়ামখৎলকপগী মতুংইন্না উবা ফংই। চহী অহুম হেক ফারকপগা মচিগী অকোয়বদা কাঙ্গোয় নাইবা অমা উবা ফংগনি। মসিনা চহী খুদিংগী কাঙ্গোয় অমমম উবা ফংগনি। কাঙ্গোয়গী মতুংইন্না চহী হোৎপা তারগদি অসুম্না ক + ২ = ষণগী চহী

ক = কাঙ্গোয়গী মশীং

মচীগী মতুংইন্না চহী খঙদোকপদা ঙমদবসু য়াওরকই। মরমদি

- ধারা মখল খরা অপীকপা মচি হৌবশিংদদি কোঙ্গোয়শিং নীংথিনা উবা ফংদে।
- ষণবুনা মচি লৌথোকখ্রগদি ষণগী চহী কাঙ্গোয়গী মতুংইন্না খঙবা ঙমদে।
- খরা ৱাখল লৈবা ষণবু ওইরগদি কঙ্গোয়শিংদু খোৎলগা থাউ তৈশিল্লগা থল্লগদি মসিদা কাঙ্গোয় ময়েক শেংনা উবা ফংদবনা চহী খঙদোকপা ৱানা থোকই।

**ঘ) ষণগী ময়া য়েঙলগা চহী খঙদোকপা ঃ**

য়া মখল মরি থোক্লা খায়দোকই মখোয় অদুদি য়মাঙ, হুয়া, য়াপঙগী মমাঙ, য়াপঙ অদুবু ষণদদি হুয়া হৌদে।

**টেবল :- ষণগী ময়া**

| ময়া মখল | মতম খরগী | | লেঙদবা | |
|---|---|---|---|---|
| | য়াখা | য়াথক | য়াখা | য়াথক |
| য়মাঙ | ৪ + ৪ | - | ৪ + ৪ | - |
| য়াপঙ মমাঙ | ৩ + ৩ | ৩ + ৩ | ৩ + ৩ | ৩ + ৩ |
| য়াপঙ | - | - | ৩ + ৩ | ৩ + ৩ |
| পূন্না | ২০ | | ৩২ | |

ষণগী য়মাঙগী মশীং অমদি মচুগী মতুং ইন্না চহী খঙদোকপা ঙম্মী। পোকপদগী হৌরকপা য়মাঙশিংদি উনগুম্না ঊৌগনি অমদি তুমতক তৌগনি। মদুগা লেঙদবা য়াশিং হায়বদি হান্নগী য়াশিং কেনখ্রগা অনৌবা হৌরকপা য়াশিংগী মচু তাইফেৎ তাইগনি অমদি চহী য়াল্লকপগী মতুং ইন্না য়াথী পকশিল্লগা লৈবা উগনি। ষণগী য়মাঙ তুম্মা মরি শুগনি।

টেবল ২ মখাদা য়েক্লিবা অসি চহীগী মতুং ইন্না য়ামাঙগী, মখাশিংগী হৌরকপা অমদি তেকখিবগী-

টেবল ৩ - য়াগী মখলশিং চহীগী মতুংইন্না হৌগৎলকপা অমদি তেকখিবা

| মখল | তুম্মা | লৈফম | অপূনবা মশীং | | চহী (মতম খরগী) | | লেংদবা য়া অমদি তেকখিবা | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | য়াথক | য়াখা | হৌগৎপা | তেকখিবা | হৌগৎপা | তেকখিবা |
| থা ৫ | I | সেন্ট্রেল | - | ২ | পোকপদগী | থা ১০ | চহী ২ | চহী ৭-৮ |
| | II | ময়ায় | - | ২ | হাপ্তা ২ | থা ১৫ | চহী ৩ | চহী ৮-৯ |
| | III | নাকন্দা | - | ২ | হাপ্তা ৩ | থা ১৮ | চহী ৪ | চহী ৯-১০ |
| | IV | কাচিন | - | ২ | হাপ্তা ৪ | থা ২২ | চহী ৫ | চহী১০-১১ |
| পূন্না ৮ | | | | | | | | |
| য়াপঙ মমাঙ | I | নাকন্দ | ২ | ২ | থা ২ | থা ৬ | থা ১৮ | - |
| | II | খজাই | ২ | ২ | থা ৪ | থা ১০ | থা ২০ | - |
| | III | য়া (মনুং) | ২ | ২ | থা ৬ | থা ১৫ | থা ২৪ | - |
| পূন্না ১২ | | | | | | | | |
| য়াপঙ | I | নাকন্দ | ২ | ২ | - | - | থা ৬ | - |
| | II | খজাই | ২ | ২ | - | - | থা ১২ | - |
| | III | য়া (মনুং) | ২ | ২ | - | - | থা ১৮ | - |
| পূন্না ১২ | | | | | | | | |

চহী খঙদোকপগী অতোপ্পা পান্বৈশিংগা য়েংনরুবদা ষণগী ময়াগী মতুংইন্না চহী খঙদোকপসিনা খ্বাইদগী হেন্না একুরেট ওই অদুবু ষণগী ময়াসিসু মখোয়না চারিবা মচিঞ্জাক অমদি শেন্নবগী মখা পোল্লি।

অসুম্না ষণগী চহী খঙদোক্লবা অসুম্না রেকোর্দ থন্বীবসু য়াই।

টেবল ৪ ঃ- চাওরাকপা ষণগী চহী

| সে নং | ষণগী ধারা | লাবা/ অমোম | মচীগী কাঙ্গোয় মশীং | মতম খরগী য়ামাঙ | | | লেঙদবা য়ামাঙ | | | চাওরাকপা চহী |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | মশীং অমদি | মচু | ফীভম | মশীং অমদি | মচু | ফীভম | |
| | | | | | | | | | | |

অসুম্না ষণবুশিংনা মশা মশাগী ষণশিংগী চহীসি খঙদোক্লবা তুংদা রেকোর্দ থন্বীদুনা নারক য়েক্লকপা মতমদসু দোজ শুনা হীদাক থাবীবগা লোয়ননা অতোপ্পদা ষণ য়োনবদসু অচৌবা মতেং অমা ওইগনি।

# ঈশিং-ঈচাউ অমদি ৱেটলেন্দ

ডা: য়ূম্নাম বেদজিৎ সিংহ

**ৱেটলেন্দ** হায়বসি চহী চুপ্পা ঈশিং লৈবা নৎত্রগা চহী অমগী মনুংদা মতম খরা ঈশিং লৈবা মফমশিং অদুবুনি। হায়রিবা অসি মহৌশাগী ওইবসু য়াই নৎত্রগা খূৎশেমগী ওইবসু য়াই। নোংগী ঈশিংনা তুংদুনা লৈবা ওইবসু য়াই নৎত্রগা লৈনুংগী ঈশিং ওইবসু য়াই। অচেনবা ঈশিং ওইবসু য়াই নৎত্রগা তুংদুনা লৈবা ঈশিং ওইবসু য়াই, ঈশিং ঈচম ওইবসু য়াই নৎত্রগা থুমহি চেনবা ঈশিং ওইবসু য়াই। খুদম ওইনা হায়রবদা পাৎ, তুরেল, লৌবুক নৎত্রগা নাপী-শিংবী য়াম্না হৌবা ঈশিংসু লৈবা মফমশিং, ঈশিং ঈচাউদা য়ৌগনবা মফমশিং অসিনচিংবনি।

ৱেটলেন্দশিং অসি ৱাটরসেদ মেনেজমেন্টকীদমক য়াম্না মরুওইবা মফমশিংনি। হায়রিবা মফমশিং অসিনা ঈশিংবু ফহনবদা মতেং পাংই, ঈশিং ঈচাউ থোকহন্দবদসু অচৌবা মতেং পাংই। মসিদসু নত্তনা জীব কয়াগী লৈফম পীদুনা অমদি মীওই কয়াগী শেল তানফম ওইরি। ৱেটলেন্দশিং অসিনা ঈশিং চুপশিল্লগা থম্বনা মরম ওইদুনা ঈশিং ঈচাউ থোকহন্দনবগী মরম অমা ওইরি। ঈশিং চাওখৎলকপা মতমদা চুপশিন্দুনা থল্লম্বা ঈশিংশিং অদু ঈশিং হন্থখ্রবা মতমদা তপ্না তপ্না থাদোরক্তুনা ঈশিংগী খুদোংচাদবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা ঈশিংদা য়াওবা ফত্তবশিং খুদম ওইনা হায়রবদা লৌউ-শিংউবদা শীজিন্নবদগী চেন্থরকপা তীল হীদাক্লচিংবা কয়াবু চুপশিন্দুনা অফবা ঈশিং ওন্থোকহল্লি। তৌইগুম্বসুং ৱেটলেন্দ হায়রিবা মফমশিং অসি অসুম অসুম মাঙশিল্লক্লি।

মথক্তা পনখ্রিবা কান্নবশিং অসিগী মথক্তা ঐখোয় মীওইবদা কান্নবা অসুক্কী মতিক ৱেটলেন্দশিং অসিনা পীরি। পনবা য়াবা খরদি চানবা মনা মশিং, য়ূম-কৈ শাবদা শীজিন্ননবা উ-ৱাশিং, মখল কয়াগী থাউশিং, হীদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াবা পান্বীশিং, শা-ঙা কয়াগী মচিঞ্জাক ওইবা য়াবা পান্বী কয়া অমদি ঙাশিংনি। মালেমগী ওইনা ফোরেষ্টশিংদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা কার্বোনগী শরুক অনী ৱেটলেন্দশিংদা ফাজিন্দুনা থমদুনা ক্লাইমেট চেঞ্জদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। জীব কয়াগী লৈফম অমদি মচা পোকফম কয়া পীদুনা ৱেটলেন্দশিং অসিগী বাইও দাইভর্সিটি অসি অসুক্কী মতিক ৱাংই।

অসুক্কী মতিক কান্নবা পীখ্রবা ৱেটলেন্দশিং অসিবু মাঙখিগদবদগী কন্ননবগীদমক মালেমগী লৈবাক কয়ানা মেম্বর ওইদুনা রামসর কনভেন্সন হায়বা লূপ অসিগী মখাদা খনগৎলবা ৱেটলেন্দ খরগী কন্ননবগী থবক থৌরম কয়া লৌখৎপা হৌখ্রে। তৌইগুম্বসুং খনগৎলবা ৱেটলেন্দশিং অসিদদি য়াওহৌদবা ৱেটলেন্দ ময়াম অমগীদমক্তদি চেকশিন থৌরাং করিসু লৌখৎতনা লৈরি। খনগৎলবা ৱেটলেন্দশিং অসিগী মনুংদা মণিপুরগী ওইনসু লোক্তাক পাৎ য়াওরি।

হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা য়াম্না তোয়না ঈশিং ঈচাউ থোক্লিবসিগী মরুওইবা মরম অমদি ৱেটলেন্দশিং অসি ফজনা মেনেজমেন্ট তৌদবদগীনি হায়জনীংই। ৱেটলেন্দ মেনেজমেন্ট অসি ৱাটরসেদ মেনেজমেন্টকা মরী য়াম্না লৈনৈ। ৱাটরসেদ মেনেজমেন্টগী মতাংদা খরদং থমজগে। ৱাটরেসদ হায়বসি চীং-মান, চীংখোঙ, চীংখা, লৈতেম মান্নবা তম্পাক্কী লমশিং পূম্নমক ঈশিং তারকফম হায়বদি খোং, লোক, তুরেল অমখক্তদা ওইরবদি হায়রিবা মফমশিং অদুবু ঈশিং তারকফম অদুগী ৱাটরসেট কৌগনি।

নোংগী ঈশিং অসিনা অহানবদা অকংবা লৈমায়দা তারকপদা লৈমায়না চূপশিনবা ঙম্বমখৈ চূপশিল্লগা অহেনবা ঈশিং অদুনা লৈমায় মথক্তা থুমজিল্লকই। অতুংবা ঈশিং কুইনা লৈয়ু য়াদবনিনা অকুৎপা মফমলোমদা চেন্থরকই। হায়বদি লোক, পাৎ, তুরেল মথং-মথং চেন্থরগা মমৈদা সমুদ্রদা য়ৌখি। পান্বীগী মনা, মউ অমদি মরানচিংবদসু নোংগী ঈশিং চূপশিনজহৌই। চূপশিনবা ঙমহৌদবা অহেনবা শরুক অদুনা লৈমায়দা তারকই। অঙম্বা চীংমাইদসু হৌরিবা উদুনা চূপশিনবা ঙম্বমখৈ চূপশিনজরবা মতুংদা চীংথক্তা ঈশিং তুংশিল্লকই।

উমং ফজনা লৈবা চীং ওইরবদি ঈশিং চূপশিনবগী চাং ৱাংবনা নোংগী ঈশিং অয়াম্বনা চূপশিন্দুনা থম্বা ঙম্মী। উ য়াম্না হৌদবা অহাংবা চীংমাইদদি লৈবাক্লা চূপশিনবা ঙম্বা খরমখৈ চূপশিল্লগা অরেম্বা ঈশিংশিংদু চীংখোংলোমদা য়াম্না থুনা অমদি অকনবা ঈচেলগা লোয়ননা চেন্থরক্তুনা অকনবা মথক থংবা লৈবাক লৈহাওশিংদু চীংখোংদা পুথরকই। চীংখোংদগী তুরেল য়ৌখিদুনা তুরেল খোংনুং থেলহল্লকই। করিগুম্বা দাম শাবা তুরেলশিংগী তুরেল খোংনুংদা পুথরকপা চীংগী লৈবাক্লা দাম ফুনজিল্লক্তুনা দাম কায়হনবা ফাওবা থোকহল্লি।

মরম অসিনা উমং কোকথোকপা অমদি চীংদা পামলৌ উবা অসিনা লৈবাক লৈহাও চেন্থহনবদা মতেং য়াম্না পাংবতা নত্তনা চাওখৎ থৌরাং পায়খৎপদা অকায়বা কয়া পী। লৈমায়গী মথক থংবা অমদি লৈহাও লৈবা শরুকশিং চেন্থখিদুনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা পুখি অমদি সমুদ্র য়ৌখি।

নোংগী ঈশিংসু অমত্তা তুংহৌদনা লৈবাক্কা চেন্থমিন্নখ্রবনিনা লৈবাকসু ঈশিংসু তুংগী শীজিন্ননবা লৈহৌদবনা মরম ওইদুনা ঈশিং ফংদবা অমদি লৌউ-শিংউগী পোৎথোক পুথোকপা ঙল্লক্তবনা অৱাবা লমদম অমা ওইহল্লি। মীওই কয়াগী চিঞ্জাক পুথোকফম ওইরিবা লৈহাও চেনবা লৈবাক অসি মহৌশানা চহী কয়া চঙনা শেল্লকপা পোৎশক অমনি।

লৈহাও চেল্লবা পোৎথোক ফজনা পুথোকপা য়ারিবা লৈবাক্কী মথক থংবা শরুক অসি ঐখোয়না চেকশিনবীদবদগী নোংমা নোংমগী ফত্তবা লৈবাক ওনশিল্লক্লি। মতাং অসিদা থমজনীংবা অমদি মথক্তা পনজখ্রিবা খুদোংচাদবশিং অসিদগী কলহৌনবগীদমক্তা করি থবক থৌরম পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু ঐখোয় মীপুম খুদিংমক্লা খন্থমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরি।

# পুৱারীদা কাউঙল্লরোইদবা জুন ১৮

টি ঐচ বীরধজা (বদন)

**জুন** থা হেক ওইরকপদা মণিপুরগী মীয়াম্না কুমজা ২০০১গী জুন ১৮বু নৌহৌননা নীংশিংই। লৈথোকপা, নাম্থোকপা য়াদ্রবা পুন্সিগী শিন্থা কয়া পাংনবা হোৎনরিঙৈদা ৱাখল চোইথোকপা ঙমদ্রবসু জুন ১৮বু কনানসু কাউথোকপা ঙমদে। তশেংবসু নুমিৎ অসি মণিপুরগী পুৱারীদা মতম চূপ্পগী ওইনা অরংবা ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরগদবা য়াম্না মরুওইবা নুমিৎ অমনি। ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম-আইজাক মুইভা (এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী মরক্তা কুমজা ১৯৯৭কী ওগষ্ট ১দগী হৌনা চৎনরকখিবা সিজ ফায়র এগ্রীমেন্টকী কাঙলোনশিংবু মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী নাগা তাই হায়রিবা মফম পূম্নমক্তসু চৎনরগনি হায়না কুমজা ২০০১গী জুন ১৪দা য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি কমল পান্দেনা লাউথোকখি। মণিপুরদা সিজ ফায়র য়ৌহল্লকপা হায়বসি ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না শুকপাম পামদবা মরম্না মসিগী মায়োক্তা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মীওই কাঙলূপশিংনা সেন্তরদা কয়ারক হন্না তক্লদুনা লাকখিবগা লোয়ননা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গেনাইজেসন (অমুকো) না শিন্দুনা কুমজা ১৯৯৭কী ওগষ্ট ৪দা অমদি ওল মণিপুর ষ্ট্যুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) না শিন্দুনা কুমজা ২০০০গী সেপ্টেম্বর ২৮দা পুৱারীগী ওইবা ঙমখৈ অমদি অপূনবা শক্তম ঙাক্লবগী মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অনীরক চৎখ্রবফাওবদা য়াম্না থৌশাদবগী মওংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মীহুৎ কে পদ্মানাভাইয়া অমদি আই-এমগী লুচিংবশিংনা বেঙ্কোক্তা নুমিৎ নীনি চূপ্পা ৱারী শানরবা মতুং জুন ১৪দা সিজ ফায়র এক্সটেন্দ তৌবগী ৱাফম লাউথোরকখিবনি। থৌওং অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকপা ওইনা অমুকোনা লুচিংবা লূপ ৮৩না থংনবা নুমিৎ, জুন ১৫গী অহিং নোংয়াইদগী তাং ১৮গী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা পুং ৬৬কী জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখি। অতোপ্পা লূপ মঙা - এমসু, এমকিল, নিপকো, য়ু পি এফ অমদি নুপী সমাজনসু সেন্তরগী ফিরেপ্পু য়ানীংদবা উৎতুনা জুন ১৭কী অহিং নোংয়াইদগী তাং ১৮গী নোংয়াই ফাওবা পুং ২৪গী জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখি।

জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা মীয়াম্না হৌনরুবা নাইদনা লমজাউ শোরোক্তা থোক্লরক্তুনা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং মরক্তা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর, আই-এমগী লুচিংবা মুইভাগী ইফিজিশিং অমদি নেসনল ফ্লেগ মৈ থাবদা কারকপা মৈখুনা অতিয়া মমখি। লম্বীশিংদসু নুংজাউ, উ অমদি লিক্লি মচেৎনা পুমথন থনখি।

অমুকোগী জেনরেল ষ্ট্রাইক লোইশিনবা জুন ১৮, নিংথৌকাবা নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা মায়কৈদগী লাক্লখিবা নুপী-অঙাং য়াওনা মীওই লিশীং চা কয়ানা শাফু কল্লবা নোংলৈ অমগী শক্লোন লৌদুনা শাউনীংবা, পেন্দবা পূম্নমক লৈঙাকপশিংগী মথক্তা অখাক-অরাওগা লোয়ননা হৈথরকখি। নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা নুংশি-চান্নবা, মচিন-মনাও ওইনা লৈমিন্নরল্লবা তোঙান তোঙানবা মীওই কাঙলূপশিংগী মরক্তা শিংচেপ থাজিন্দুনা অপূনবা শক্তম অমসুং লৈবাক্কী ঙমখৈ কায়হল্লকপা য়াবগী তানফম লাক্লবদা মশীং থিঙমদ্রবা মীয়াম্না ইমা লৈবাক্কীদমক শিরবসু য়ারে হায়না চোঙথোক্লরক্তুনা গভর্ণর অমদি চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলো তম্না হুপচিন্নরকখি। লাক্লা-ফানবা ঙমদ্রবা মণিপুর ইমাগী মপারি-মমোম কয়ানা ঙমখৈ কায়রবদি লৈঙাকপশিং লৈবগী মথৌ তাদ্রে, লেজিসলেটিভ এসেমব্লি থল্লুবগী ৱাহন্থোক লৈত্রে হায়দুনা এসেমব্লিগী বিল্ডিং, স্পিকরগী বঙ্গলো, এম এল এ কয়াগী ক্বার্টরশিং অমসুং পোলিটিকেল পার্টি অয়াম্বগী ওফিসশিং মৈ থাদুনা অমাঙ-অতা থোকহনখি। নুমিৎতুদা মমা লৈবাক্কীদমক হৌনরুবা তৌদনা চোঙথোক্লরকখিবা, শিবা-চঙবা খঙদনা থোক্লকখিবা মশীং য়াল্লবা মীয়াম্বু কন্ট্রোল তৌনবগীদমক খূৎলায় পায়বা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা নোংমৈনা কাপ্পদা মীওই ১৪গী পুন্সি খাঙুথক্তা লোমখি। নুমিৎতুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি খোইজুমান ময়ায় লৈকায়দগী থৌদাম গুনেশ্বর, খাগেম্বল্লি পন্থক্তগী এদভোকেট য়ূম্নাম নিসিকান্ত, কুম্বী তেরাখোংদগী অমোম রাজেন মীতৈ, খুরাই কোন্সম (হৈক্রুমখোঙ) লৈকায়দগী ময়াংলম্বম মনিকান্ত, পোরোম্পাৎ কোংপাল মুতুম লৈরক্তগী শগোলশেম অবুংচা, লিৱা লম্বী মাইবম লৈকায় বোকুল মখোংদগী খোইস্নাম সিংহজিৎ, নোংমৈবুং নাম্বম চুথেক্তগী থোকচোম ৱিলসন, খুরাই কোন্সম লৈকায়দগী ক্ষেত্রিময়ূম জীবন (মোচা), য়াইস্কুল জন্মস্থান্দগী থোকচোম ললিত, খুরাই কোন্সম লৈকায়দগী কোন্সম কামেশ্বর, কোঞ্জেং লৈকায় ক্লব কৈথেলদগী গুরুময়ূম দত্ত শর্ম্মা, শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায়দগী ক্ষেত্রিময়ূম রোমিও অমসুং চীংঙামখাদগী থিঙোম বিরেন্দ্রনি।

সেন্তর অমদি আই-এমগী মরক্তা কাঙলূপ নাইবা থৌওংগী মায়োক্তা মখা তানা চঙশিনবা খোঙজংদা ক্বাকৈথেল মোইরাং পুরেলদগী লাইশ্রম তম্ফাস্নানা চহীদুমক্কী জুলাই ৪দা, উরিপোক খোইস্নাম লৈকায়দগী লাইতোঞ্জম রাজকুমারনা জুলাই ২০দা, অৱাং খুনৌ মমাঙ লৈকায় লনসোনবী বজারদগী চবুংবম ভরত (ভগৎ) না জুলাই ২৪দা অমসুং লাংঙথেলদগী ওক্রম রামানন্দনা জুলাই ৩০দা মমা লৈবাক্কীদমক নোক্লা নোক্লা থৱায় থাখি। লৈখিদ্রবা মীওই পূম্নমক ইম্ফালগী কেক্রুপাৎতা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী ফিরেপ হন্দোকহনখিনবা মখা তানা চত্থরকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা লমদমসিগী মহৈরোয় লিশীং কয়ানা মহৈ তমজররোই হায়দুনা মতমদুগী গভর্ণর শ্রী বেদ মরৱা, দিষ্ট্রিক্টকী দি সীশিং অমসুং সব-দিভিজনগী এস দি ওশিংদা লাইরিক পীশিনবগী কল্লবা খোঙজং অমা চঙশিল্লকখি। পুলিসনা টিয়র গ্যাস সেল, রব্বর বুলেট কাপ্তুনা অমদি লাথি চার্জ তৌদুনা নমথনবা হোৎনখিবা খোঙজং অদুদা মহৈরোয় লিশীং কয়া অশোক-অপন নংখি। জুন ১৮গী নুংথিল পুং ১দগী ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা মতম কক্তনা কার্ফিয়ু থমদুনসু মীয়ামগী ঈহৌ নমথবা ঙম্বগী ফীভম লৈখিদে। মফম কয়াদা মীয়াম্না রেল্লি চৎপা, সিট-ইন-প্রোটেষ্ট পাঙথোকপা অমসুং মহৈরোয়শিংনা লাইরিক পীশিনবগী খোঙজং মখা চত্থরকখি।

মীয়ামগী ঈহৌ অঙকপা ফংনা কনখৎলকপগা লোয়ননা জুলাই ২১দা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুরগী মীওই ১১না শাবা মীহুৎ কাঙবু অমনা মতমদুগী বি জে পিনা লুচিংবা নেসনল দেমোক্রেটিক এলাইএন্স (এন দি এ) লৈঙাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর অটল বিহারি বাজপায়ীগা উনদুনা ৱারী শানখি। প্রাইম মিনষ্টরগী রেসিদেন্সতা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর এল কে অদভানি, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (হোম) আই দি স্বামি, য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি কমল পান্দে অমসুং হোম মিনিষ্ট্রিগী অতৈ অৱাংবা থাক্কী ওফিসলশিং শরুক য়াদুনা পুং ১ রোম পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা জুলাই ৩১ ফাওবগী মনুংদা সিজ ফায়র এগ্রীমেন্ট রিভিয়ু তৌদুনা অরোইবা ফিরেপ অমা লৌরগনি হায়না য়ু সী এমগী মীহুৎশিংদা চপ চানা থাজবা পীরকখি।

হঞ্জিন-হঞ্জিন থাজবা পীরল্লবসু থবক ওইনা পায়খৎলক্তবদগী মীয়াম্না মফম কয়াদা মখল মখা কয়াগী খোঙজং লেপ্তুনা চত্থখি। পেন্নদ্রবা মীয়াম্না মখোয়বু ঙাকপী-শেনবীবা ঙমদ্রবা লৈঙাকপশিংবু ৱারৌবগী চাং ৱাংখৎলক্তুনা এম পি, এম এল এশিংগী ময়ূম-মকৈ মৈ থাবা, অমাঙ-অতা থোকহনবনচিংবা চত্থরকখি। দেল্লিদসু পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম হৌবা নুমিৎ জুলাই ২৩দা মীওই কয়ানা পার্লিয়ামেন্ট তম্না রেল্লি চৎতুনা প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর অমদি পদমনাভাইয়াগী ইফিজিশিং মৈ থাখি। পুলিসনা টিয়র গ্যাস কাপ্তুনা লাথি চার্জ তৌদুনা তানখায়বদা মহৈরোয়শিং য়াওনা মীওই কয়া অশোক-অপন নংখি। মতৌ অসুম্না অপূনবা শক্তম অমদি ঙমখৈ কায়হন্দনা থম্নবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী মীওইশিংনা শিবা-চঙবা খঙদনা, হনবা লৈতনা চঙশিল্লক্লবদা খাঙবা ঙমদ্রবা সেন্তরনা বেঙ্কোক দিক্লারেসন্দা য়াওবা 'ৱিদাউট টেরিটোরিএল লিমিট' হায়বা ৱাহৈ অহুম অদু জুলাই ২৭তা লৌথোকখি। নুমিৎতুদা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসল রেসিদেন্সতা মণিপুরগী গভর্ণর অমদি অৱাং নোংপোক্কী চীফ মিনিষ্টরশিং য়াওবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা য়াম্না কূপ্না খন্নরবা মতুংদা বেঙ্কোক দিক্লারেসন চৎনররোই হায়না লাউথোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, মতমদুদা মণিপুরদা প্রসিদেন্ট'স রুল লৈরিবনি। কুমজা ২০০১গী জুন ২দা বি জে পিনা সমতা পার্টিগী লৈঙাক শৌগৎপা তোকখিবদগী মণিপুরদা সেন্ট্রেল রুল থল্লকখিবনি। অমরোমদা সেন্তরনা সিজ ফায়রগী মতাংদা লৌখিবা ৱারেপ অদুগী মায়োক্তা নাগা য়ুথ ফ্রন্টনা থংনবা নুমিৎ জুলাই ২৮গী অহিং নোংয়াইদগী হৌরগা পুং ৩৬কী ওইনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট বন্দ কৌখি। তোঙান তোঙানবা নাগা ওর্গেনাইজেসনশিংনসু য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলগা খূৎশম্নরগা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট মরি- উখ্রুল, সেনাপতি, চান্দেল অমদি তমেংলোংদা পুং ৭২গী বন্দ অমদি ইকনমিক ব্লোকেদসু কৌখি। চীংগী বন্দ অমদি ব্লোকেদ ফনা শাংনা চত্থখি। অদুবু মণিপুরদা সিজ ফায়র অমুক য়ৌহল্লকখিদ্রে। অদুম ওইনমক সেন্তর অমদি আই-এমগী সিজ ফায়র এগ্রীমেন্ট থেঙ্খাং কয়ারক শাংদোকহন্দুনা শান্তিগী ৱারী শানদুনা লাক্লি। কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩দা খূৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোলসু মীয়ামদা খঙহনবা তৌদ্রি। মসিনা মরম ওইরদুনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম অমদি ঙমখৈদা শীংনরকপদি অদুম্মক লৈরি হায়না লৌবা তাই।